**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জাতি অসিনা হয়েং ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

২) রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থবদা লালহৌবা অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

অমসুং

৩) ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমগী মাংওইননা ঙসি নুমিদাং রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

------

আইদি ঃ জাতি অসিনা হয়েং ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে। রাজ্য অসিদসু হয়েং লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎ থৌরম পাঙথোকবা শেম শারে।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি।

দিল্লিগী ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। মফমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা জাতিগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা লাল কিলাগী ফম্বাক্তগী জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম

অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২৮ দগী পঞ্চায়টকী লুচিংবা ২১০ অখন্নবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎকী মাংওইননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুন্দবগী থবক লেপ্তুনা চথবদা লালহৌবা অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা শিংদা তুরেলগী মনাক্তা লৈবা কোনশা খুলগী উমংদা থিবা হুন্দবগী থবক চখখি। মদুদা তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা অমদি পোম্পি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী দমপি রিটচতগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলাইশিং অদুগী মনুংদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৬, পোম্পি মোর্তার ৩, আই.ই.দি ৫ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

ইন্তেলিজেন্সতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙরাং মণিপুর পুলিসনা থিবা হুন্দবগী থবক চখবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পাঙলতাবী মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি য়ুমাম পাৎলৌ ময়াই লৈকাইদগীনি। মণিপুর পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনসু কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা নুংগাইপোকপী মনিং লৈকাইদগী ফাখি।

পাউ অসিনা হায়- কাংপোকপী জিলাগী কৈথেলমানবী ভেংপিদসু মণিপুর পুলিসনা থি হুন্দবগী থবক চখবদা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই অনি ফাখি। মীওইশিং অসি চুরাচান্দপুর জিলাগী মোলখোই অমদি কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা মোলনোই খুলদগীনি।

থা অসিগী ১২ দা মণিপুর পুলিসনা ককচিং জিলাগী ৱাবগাই লমখায়দা থি হুন্দবগী থবক চখবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অহুম ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু থৌবাল জিলাগী য়ারিপোক পেচি,

থৌবাল হাওখা মমাং লৈকাই অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাইজিং অৱাং লৈকাইদগীনি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী বোর্দর পিল্লর নম্বর-৮৫ দগীসু আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ পি.এল.এগী মীওই অনি ফাখি।

মণিপুর পুলিসনা ড্রগকা মায়োক্তা চখৎরকপা খোঙজংগী মনুং চন্না থৌবাল জিলাগী খেকমন অমাকচমদগী ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফারে। মঙোনদগী ব্রাউনসুগর গ্রাম ৫০০ ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর পুলিসনা দ্রাইভ চখৎবদা য়ুঙৌ লিতর ২৫৮ ফাগৎখি।

বিপিআর (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ ঙরাং দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা লুচিংদুনা মরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থঙ্গাল জেনেরেলগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নম্বোল, বিষ্ণুপুর অমদি মোইরাং সব-দিভিজনগী অকোইবদা প্রভাট ফেরি পাঙথোকখি। লোয়ননা ড্রগ লান্না শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহন্নবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লুচিংদুনা পুন্না ৱাশক লৌমিন্নখি।

মেলা (এল)ঃ নুমিৎ ১৪ নি চখৎগদবা মণিপুর হেন্দলুম এক্সপো- হাটকরঘা মেলা ঙরাংদগী ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা হৌখ্রে। রাজ্য সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ তেক্সতাইলসনা শিনবা মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং উৎলি।

মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা হেন্দলুম এন্দ তেক্সতাইলসকী দিরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়- মণিপুর অসি লৈবাক্কী অতৈ রাজ্যশিংগা য়েংনরুবদা ফিশা কোন খ্বাইদগী শিজিন্নবা রাজ্য অমনি। মসিবু শকখঙবা ওইনা কেন্দ্রগী টেক্সতাইলস মন্ত্রালয়না রাজ্য অসিদা ফিশা লোনশাগী লমদা খুদোংচাবা কয়া

পীরি। মরম অদুনা ফিশা লোনশা তৌরিবা মীওইশিংনা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌদুনা হেন্না মগুন লৈবা পোখোকশিং পুথোকবা হোৎনশি হায়নসু শ্রী জিতেন্না আপীল তৌখি।

মোরে (এল)ঃ তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা ক্বাথাদা দিজিতেলগী খুদোংচাবা মপুং ফানা ফংহনদুনা খুমাং চাওশিন্নবা মোরেগী সব-দিভিজনেল ওফিসার ইজাস হাসন্না কম্প্যুটর সেট, য়ু.পি.এস অমদি প্রিন্টর খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। খোঙথাং অসি মরুওইনা রাজ্য অসিগী মনুং হুঞ্জিনবা খুল অমা ওইরিবা ক্বাথাদা মোর্দন দিজিতেলগী খুদোংচাবশিং লৈতবনা অৱাবা মায়োকদুনা লাকখিবা অদু কোকহন্নবনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমগী মাংওইননা ঙসি নুমিদাং রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। রাষ্ট্রপতিগী ৱারোল অদু অকাশবানি অমসুং দুরদর্সনগী নেসনেল নেটৱার্ক খুদিংমক্তা নুমিদাং পুং ৭ তা শন্দোক্কনি। রাষ্ট্রপতিগী ৱারোল অসি অহানবদা হিন্দিদা, মথংদা ইংরাজিদা শন্দোক্কনি। অকাশবানিনা রাষ্ট্রপতিগী ৱারোল অসি লমদম লমদমগী ওইবা লোলশিংদনা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা শন্দোক্কনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- আত্মা নিরভর অসি ভারতপু মরোমদোম লেপচনবা অমদি মাংলোমদা চংশিন্নবগী পান্থৈ অমনি।

নিউ দিল্লিদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোকপা তুরিজম ফেথ কোনক্লেভ লোইশিনবগী থৌরমদা মহাকা হায়- মালেমগী মফম কয়াদা থোক্লিবা চরাংনবা অসি থেংননবা হোৎনবদা আত্মা নিরভরনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। ভারত অসি মশাগী নাৎ, চৎনবী অমদি হেরিতেজ মপুং ফানা লৈরবা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিগী অশেংবা মপাঙ্গল অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম অমদি মখোয়না থাজরিবশিং অদুনা ওইরি। ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী এয়ারপোর্ট অমদি রেলৱেজগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা

ঙমলে। ই-ভিজাগী খুদোংচাবা লৈবদগী ভারত্তা লম কোয়বশিং লাকপগী চাং হেনগৎলে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অথৌবশিংগী নুমিৎতা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা অৱাংবা থাক্কী ইকায় খুমবা উৎখিবা, নুঙ দলাল থোং মেত্রিক টন ২৪ দগী হেন্না লানহন্দনবা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা খঙহল্লকখিবা অমসুং ৱার্ল্ড ওর্গান দোনেসন ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউ অসিগা লোয়ননা মণিপুরগী গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অয়াম্বা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পাউ অসি পোকফমদা অথৌবশিংগী নুমিৎতা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা লোয়ননা ঙসিসু মণিপুরী খুদিংমক্তা মরৈবাক নুংশিজবগী ইহুল লৈরি হায়বা গর্ভনরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি। মসিগা লোয়ননা অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা টিকেন্দ্রজিৎকী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা গভর্নরনা লুচিংদুনা মণিপুরগী নীংতম্বা মাংহন্দনবা হোৎনরম্বা অথৌবশিংবু খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমখ্রে, মণিপুর লমফাং অমদা লৈবগা পাংখকরি, ইং তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তনা হৌখিবনা পারা ওইদুনা তুংলমচৎ অমা পুন্না য়াৎমিন্নশি হায়বা গভর্নরগী ৱাফম, আইদোলোজি খেন্নরবসু লৈবাক্কী মতাংদদি পুনশি হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরমগী বেন্নর হেদলাইন মখায়দা সবহেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নুঙ দলালগী থোংবা মেত্রিক টন ২৪ দগী হেনবা গাড়িশিং

লালহনলোইদৌরি, থোং শেমজিনবগী মহুৎতা গাড়িশিংদা মরাল শিজিনবা য়াবা ঙমলোই হায়বা পাউ পোকফমগী এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসনদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা ষ্টেটকী থাক্তা ১৩৪ শুবা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। ওগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নুমিৎতগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী প্রসিদেন্ট রুল হৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা এস.সি-এস.টি রিজার্ভেসনদা ক্রিমি লেয়র কন্সেপ্ট হৌদোকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।  ওর্গান দোনেসনদা মণিপুরনা মকোকনি হায়বা হেলথ দাইরেক্তরগী ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি। ওর্গান দোনেসন ডে থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহাবা লমায়দা ফোংলি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম হন্দোক্তনবা এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী ফিরেপ চেৎশিনহনখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেল অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা অমদি অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা থঙ্গাল য়ুনিয়ন অমসুং য়ু.এন.সিনা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

------